# রিচার্দ মীশি সিবিআই ইনক্কারি তৌনবা
# মেঘালয়গী সিএমনা দাবী তৌখ্রে

*শিলোং, মে ৩ঃ* হৌখিবা এপ্রিল ১৯ দা বেঙ্গলোরগী অচারিয়া এনআরভি স্কুল ওফ অর্কেটেকচরদা সেকেন্দ সেমিষ্টর তম্বা ইম্ফালগী উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দগী লোইতাম রিচার্দ মীহাৎ অমদি হরিয়ানাদা মেঘালয়াদগী দনা সিলভা এম সংমা কৌবা মহৈরোয় অমা হাৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা মেঘালয়াগী চিফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা মীশি অনিমক সিবিআই ইনক্কারি তৌনবা দাবী তৌখ্রে।

মহৈরোই রিচার্দ অমসুং মহৈরোয় দনা সিলভা এম সংমা মীশিগা মরী লৈননা শিলোংগী খিনদাইলাৎতা কেন্দল লাইট থান্দুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমদা চিফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা হায়খিবদা মীশি অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ষ্টেট অনিগী চিফ মিনিষ্টরদা মহাক্কী মায়কৈগী চিঠি ইদুনা কেস অসি সিবিআইদা শিন্ননবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈরে।

শিলোং প্রেস ক্লব অমদি লোকেল এনজিও আই -কেয়ার অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিং, মেঘালয়াগী মিনিষ্টর / এমএলএ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোংবগী থৌরম অদুদা চিফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা মখা তানা হায়খিবদা, মহৈরোয় অনিগী মীশি অসি সিবিআইদা শিন্নদুনা থিগৎহনবনা ষ্টেট অনি অদুগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা এডুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা লৈরিবা অশোয়বশিং চুমথোক্লবা অসিগুম্বা থৌশিল কয়া পায়খৎপা মথৌ তাই।

মসিগা লোয়ননা মহৈরোইশিংদা সেক্যুরিটি পীননবা অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন দনবা লৈবাক অসিগী তোঙানবা লো অমা চৎনহনবা মতৌ তাই। অসিগুম্বা লো অমা লৈহনবনা মহৈরোয় অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংদা হেন্না খুদোং চাহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।